

"কদোমদনো লম্বেলসিবু
চীনগা খূৎকা মান্নদবা
লমথুংফমগা লম্বেলগা শন্নদবা।"
- এলাংবম নীলকান্ত (চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি)

# শৈরেং

## চুল্লিব্রা লাল্লিব্রা

—তোলচৌ শমজেৎশাবম

মনেম মকুদা ইমা-ববা
মাগী নুপাদা তামো তাতোন
চুল্লিব্রা লাল্লিব্রা হায়য়ু অমুক্তা?
মমা নৎত্রগা মপা নারিঙৈ
লায়েংশেলগী লৌতানৈ মচিন মনাও
শোরাৎ নুমিত্তদি তান্নৈ অচাওরম
চুল্লিব্রা লাল্লিব্রা হায়য়ু অমুক্তা?
মীতৈ চনুরা ইচে ইচনশিং
লন্বী লমখাং লেংথৈনা চৎপদা
চেঙহী মনম লৈগী মনম
নল্লম্মী মমাঙঙৈ মতম অমদা
হৌজিক্লা জর্দা মনম তলপ মনম
ফরিব্রা ফৎত্রিব্রা হায়য়ু অমুক্তা?
থম্মোয় মশক্তি খঙনদ্রি মহাক্তু
হান্না থুংলরে চেবাউদি
চৎকদ্রা চৎলোইদ্রা হায়য়ু অমুক্তা?
লুহোংবৈ লৈ কোয়বা কৈন্যানা
বরগী কোকথক্তা লৈ চাইবদা
শেল য়াওবা থেংনরে মতমসে
করিদা ফজরিবনো হায়য়ু অমুক্তা?
পুকচেল কমদৌই হংনদে কেন্দিদেটকী
শেল কয়াম পায়বনো হংনরি
চুল্লিব্রা লাল্লিব্রা মীহুৎ খনবদা?
নারিঙৈ থোইনা তেংবাঙনদে লায়েংশেল
শিরকান্দদি তেংবাঙনৈ হায়নবা লৈতনা
চুল্লিব্রা লাল্লিব্রা হায়য়ু অমুক্তা?
মচা নিংঙোল ময়ূম পানবদা
ময়া মন্মাক ওইরিবা মহাক্তু
মতমগী লায়না পকপ্রা হংনদে
তোলোপ চাব্রা ইনাক খুনব্রা হংনরি
মতা অমনি মীতৈগী চৎনবীসি।

## নকখ্রবা ঈগী মরীসে

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

লমদম অসিগী লৈহাও
লমদম অসিদগী ফংবা
মহৈ মরোং
হৈ লৈগী হৈনম লৈনমশিংগা
লোয়ননা চাওমিন্নরকখিবা
ইচিন ইনাওশিংনি ঐখোয়।
ঙসিদি লাইনীংনা
ঐখোয় মশেল কয়াদা
লাপ্নহল্লবা।
ইচিন ইনাওনি হায়বা
কাউথোক্নরদুনা,
অমনা অমগী অশোয়বা
থিরদুনা ঙাঙলি শক্লি।
অশোয়বদো মেনশিনবীবগী
মহুৎ হুন্দুনা লৈরি,
নকখ্রবা ঈগী মরীসে।
অখুবা মীৎয়েংদা
মচিন মনাও ওইবগী
ৱাখল কাউথোক্লদুনা
ওনশিন্দুনা চৈরি
ঐগী ইমা ইপাদা।

## লাইরিক হৈবা

—এম নিলাকুমারি

পাম্মুই-পাম্মুই শোন্নরকই
ইপা ইপু মতমগী
বোরা ফিদা নাকল য়েপ
লাইরিক তন্বা চৎলিবনি
এ বি সী- ৱান টু থ্রী খঙনবা
খুরুমনৈ ওজা-গুরু মখোঙ শোক্তুনা।
মাঙখ্রে-হোংখ্রে-লৈত্রে।
চৎনবীনা নাথৈনখ্রে
তম্ফমশঙগী ফজবা মথোল কয়াগী দলান
মীহাৎপুঙগী শঙলেন ওনখ্রমাল্লে।
খ্বাইদগী কিজবসি এদভর্টাইজ নি।
মথংগীনা কনাগী পালি
পালি ঙাইরিবা চরাম্নরবা
জঙ্গলগী নিংথৌ নোংশা
লাইরিক হৈবগী চৎনরোল
লুপা চান্মদা শুন্য অমা হাপচিল্লবদি
লিশীং অমগী হিসাব
শুন্য মঙা হাপ্পবদি খন্দুনা য়েংবীয়ু
লাইরিক হৈবগী খুদোলসে।
পোলোইদা মহেশঙ মাঙখ্রে শেন্দাল লন্বীগী
মীহাৎশঙ ওইখ্রবরা?
লোনচৎ-শাজৎ থকসি-খাসি তম্বনা
মীওইপোক্কী মাঙফদ্রবা গুন ওইরোইদবরা?
অওনবা পাম্মনবদগী মনীং মমাঙ হোত্রোং হো
ঈংননবা উনখাসু তারক্লরোই;
ব্রজ শীংজং ওইনা থাদরক্লগদ্রা?

## ঙাক্কনি ইমাগী ঙমখৈ

—য়েঙ্খোম তোম্বী

লোইয়া লমদম নুংশিবী
মৈতৈ লৈমা ফজবী
পোক্লফম লমদম মণিপুর
মালেম ইমা পুকফবী
হিংজরি নচানা ইমাগীদমক।
থম্মোয় মাগী পামজবী
পূক্লিং মাগী খোইদাবী
মীংথোল য়ান্বী ইমানি
কংলৈপাক, সনা লৈবাক মণিপুর
হিংজরি নচানা ইমাগীদমক।
নচা লিশীং কয়ানি
চনুরা লিশীং কয়ানি
ঙাক্লি ইমাগী ঙমখৈ
চীংমী-তম্মী খূৎশম্লনা
অমত্তা ওইবগী লিচিংনা।

## নুংশি ঈচেলসিদা

—রাজেন্দ্র সারুংবা

তাওথরি ঐনা নুংশি ঈচেলসিদা
ঐগী নুংশিজবা মহাক্কা লোয়ননা।
পোলোইদুদি খঙলমদে কদায়দনো
থুংগদবা মফমদো মতমদো!
কৈদৌঙৈনো নুমিৎতো মতমদো মতাংদো।
থুংনবসু য়াই কায়নবসু য়াই
অদুবু মদু খঙলবসু খঙদ্রবসু।
অথিংবা অপনবদি পীদে ঐনা কৈদৌনুং
চেন্থরিবা ঈচেলসিদা ঐ মা।
অহল নহা খায়দে নুংশিবদা নহাতা ওই
ফুরুপ, কুচু, লাইনীং ঐখোয়দদি অমত্তনি।
থুংনা থুংনদবগী ৱাররোই ঐ
তাওথরসনু ঈচেলসিদা মা ঐ অসুম অসুম।
তম্বা ঙমদবা নোংদম্বা অমখক্কী
পন্থুংফমদো য়ৌদ্রিফাওবা!

## নুপী

—হিদাম বুধিপতি

নুপী নুপী নুপী
মৌ ওৎলে নুপীনি
মনেম লাক্লরে নুপীননি।
পোৎশেম তৌরে নুপীনি
মচন ওৎলে নুপীননি
মনম্মা নৈরে নুপীনি।
অমগা অমগা য়েংশিন্নৈ,
খৎনৈ ফূনৈ মশম ফোইনৈ
ইমুং তঙ্খাই তাই,
শম্বল খানৈ মচিন মনাও
নুপী নুপী নুপী
ঐখোয় পূম্বা অমর নত্তে।
নোংমদি শোয়দনা শিগনি
কাউনৈ নুপী খুদিংনা
নোংমদি শোয়দনা হিপকনি
শুমাং মতোনগী খাঙেনফমদুদা,
তাইবঙ মীনবু চহী চাম্মকুন পুন্সিবা
কনা য়াওবগে তাইবঙদা,
মতম খরা হিংবসে
নুংশি চান্নবা লৈমিন্নসি।
নেপোলিয়ন্না হায়বীরমই
অফবী মমা পীয়ু
মালেম পূম্বা খুদুম চনগে।
ঐখোয় পূম্বা অদুগুম্বা মমাদু ওইমিন্নসি
ফত্তবা ৱাখল পূম্বা থাদোক্নরসি।

## খুন্নাই থৌমী

—মোইরাংথেম কুলচন্দ্র

মীখল মতম নশিল্লক্লে
খুন্নাই থৌমী কয়ানা
পরেং-পরেং লেংলরে
পাম্বোম ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা
পাঙ্গল থৌনা উৎলরে।
চেঙ য়েনবা হৌরক্লে
লন্বী শেমগে হায়রক্লে
মরী-মতা য়েংলক্লে
ইকায়-ইকি থাদোক্লে।
থাবল চোংফম থিরক্লে
চাক শিনগে হায়রক্লে
ভাষন পীবা হৌরক্লে
মতেং পাংবা হৌরক্লে।
দেব-কর্ম্ম থিরক্লে
ভাবক মমায় য়েংলক্লে
শেলবু লৈগুম চাইরক্লে
মথুম-মরাং হৌহল্লে।
লৈকায় ক্লব থোরক্লে
মীথুংলেনবু থিন্দোক্লে
মীখল ভাষন তৌরক্লে
খুবাম চাংজৌ লোল্লক্লে।
ঙাঙন-শক্লবা হৌরক্লে
অশোয় অরান য়েংলক্লে
মহৈ-মশীন থিরক্লে
শেল তানফম হংলক্লে।
খুন্নাই থৌমী কনানো?
লৈবাক্কী লুচিংবনা কদায়দনো?
'উদা-ৱাদা পানব্রা?
মরূ ওইনা হুনব্রা?
পাম্বীদৌনা হৌব্রা?
অমনা হেক্তা ওইবরা?"

## ফুদিৎতা মাংজোং চোংবা

—বি মঙাং

মান্দোপ ময়ায়দা ফম্লুবৈ
লুপা লিশীং মরি ফংলকই
নহান্দি লুপা চহুম তারকই
পালাগা ভাবোক্না মান্নরে।
ভাবোক খরা অমদি
কম্মগী ভাবোক ওইনবা
ঙনবা তান্নবসু য়াওরপোৎনি
শেল চবুল চবুল খূৎতা পায়রগা
হঞ্জিন হঞ্জিন শেল থারিদু
নৌনা ভোট লেপ্পবৈ
মীয়ামদা শক তাকচরিবনি
অসিরা ভোট লেপনি হায়রিদু
ৱাহৈ অসি তারগা
মাদি য়াম্না হরাওজরিবনি
মখোয়গী মতৌ তম্বা
মরল লৈতবা মীনা
শঙ্গোম চানীংবা থোক্লোইদ্রা
ওজা তোলহলগী ফাগিদু
রাশি য়াওদবা মীনা তৌরদি
লীলা অদু কায়রোইদ্রা
পকচবা হায়বা অসিসু
তোঙানবা গুন অমনি
লৈত-লায়রা কয়ামসু
চৎনবীগী মতুং ইনবদা
কনাদা তায় লাদা তায় হায়দুনি
ফৌ শংবাই অমা তায়রসু
পোৎয়েং শেল, অথাশেল কোন্নদ্রে
ইরৈচাশিং ঈজৎকী ফুদিৎতা মাংজোং চোংলগুমসি।

# মেনহট্টনগী ঈথৎ

## (Island of Manhattan)

- রেনে মার্ক্সিস

*ঈথক্লা মপৈ মপৈ*
*শাথিরবা মপৈ মপৈ - গেব্রিএলা মিষ্ট্রান*

জুআনিতাদু শামতুগী জেক্কেটতু ঙকথোন থেক্কৎলি, স্বর অমুক্তং শাংনা হোন্দোকই। মহাক্লা হেক হৈনদবসি লৈনুংগী লন্বীদা খোঙনা চৎপসিনি। মাদি ষ্টেসন ময়াগী লৈনুংগী খোঙ-লন্বীদুদগী মপান হেক থোক্লকপদা মশাদু হেক্তা য়াংজৈ।

মহাক লৈনুংদগী হেক থোক্লকপগা খোঙলন্বী অদুদা লেপচবনি, ফূদোক্লক্লিবা মীয়ামদু থৎলুদনবা। অদুবু অদুমক্তদা নোয়খ্রবা, চাউখ্রবা নুপা অমনা মাবু নাতৈ চাদনা ইল্লকপগী ৱানি।

- "শাসিদি!" মানা হায়দোকখি।

নুপাদুসু চপ লেপ্পী, মঙোন্দা য়েংলকই অদুগা নোকফেৎ তৌনা হায়রম্মী, "লান্না লৌনগুমসিদা, মীরম নুপী!" অদুদগী মহাক মান্ননিংদদনা থুনমক চৎলে, নুপাদুসু মতুং অদুম ইল্লকখি।

মানা চৎনা চৎনা খল্লি, "মাগী মীনোক্তুবু ঐবু ইকায়বা পীরিব্রা নৎত্রগা করেম্নরিব্রা, অমা ওইরসু অমা ওইরসু মাদি শাউনীংবনা মশাদু নীকই। মানা লাপ্পা চৈহৌই, "অমেরিকা মচা, চাওখৎতবা!" অদুবু নুপাদুদি হন্না য়েংলমদ্রে হন্দকমুক্তি।

জুআনিতা ঘড়ী য়েংই। পুং ১০ তাগদবা মিনট ২৫ ৱাৎলি। মহাক্কী মতম লৈরি। থোইনা খল্লুদনা মহাক ঘড়ীদু চপ্পী থাই, অদুগা শোঞ্জৈ, মসিসু মমল পীবা লোইদ্রিবনি, খূৎপী মঙারক ৱাৎলিবনিনে। হন্দক্তি মহাক মরেংবান তিংখৎলে, অদুগা চৎপা হৌরে, মেদিসন তম্না।

মহাক তহাদে, তপ্না চৎলি, মানা লারেসতা লৈরিঙৈ অপিকপা প্লাজা অদুদা থাংখিবা খোঙথাংগুম। মহাক নোকচৈ, প্লাজা অদুগী ফজহৌবদু নীংশিংলগা। অদুবু লারেসকী পুন্সিদুদি মঙলান ওনখ্রে। তশেংনা মঙ ওনখ্রে হায়বা য়ারে।

মহাক হাথু হাথু চৎপগী থোইনা তঙাইফদবা লৈত্রি। অদুবু অসুম্না ঈংথনা চৎপদি মাগী হৌখিবা চহী ৪ অসিদা ঙসিনা অহানবনি। মিনট ২৫ লৈরি, মানা চৎকদবদি শুপ্নগী ব্লোক অহুমখক্তা মঙায়রে। সুম চৎলম্বদগী অমোৎ-অকায় পিক থন্না য়াওবা দষ্ট বিন অমগী ময়া হেক য়ৌবদা মহাক চপ লেপ্পী, অদুগা মাগী খোঙ মোজাদু চিংখৎলি, অদুগা ফিনুংদা শেৎলিবা তপ নপ্পী খোংগ্রাউ মোজাদু খোঙ মোজা মথক্তা অমুক চিংথরে। মহাক্লা উরে, মদু খিত্তং শেগায়বা অমা লৈরে। অদুদা মানা শোঞ্জৈ, "মসি লংথোকখিবা তারে, অনৌবা অমা লৈরগে।"

অদুম খল্লিঙৈদা মহাক হুইশেল মখোল অমা হেক তায়। মহাক ইকায়দুনা তাখৎলুবা স্কর্ট অদু হেক থাদৈ, অদুগা মঙোন্দা লক্লরক্লিবদু কনানো য়েংখৎলুই। মদুদা মানা উরে - নহা অমখক রেল্লিংদা ঙাথরদুনা য়েংথরক্লম্মী। মানা নহাদুবু মুন্না য়েংখৎলি:

- "ইবুংঙো, নহাক ৱাৎলি, হুইশেলফাও নুপা থোক্লা খোংবা হৈত্রি।" মানা নোকশিল্লম্মী।

নহাদুসু মমায়দি ঙাঙশিল্লি, অদুবু ডোন জুৱান শারদুনা খুমদি খুম্মক্লি, "অদুবুদি নঙনা তম্বীরদি নোংমদা হৈনিদা।"

মহাক নোক্লম্মী, থোইনা খন্থরুদনা, চৎপদি লেপখিদে। নোংমদা হৈনিকা হায়দনা। মহাক নোকপা চপ লেপ্পী, নত্তে, নোংমগী ৱাদি নত্তে, অদুবু তৌগে হায়রবদি থুনা তম্বদি য়াই। মানা নীংশিংলকই, মহাকসু রিও পিয়েদ্রাসতা চহী অমা লৈরক্লে, সান জুৱান্দা চহী ২ অদুগা ন্যু য়োর্কতা চহী ৪নি লৈরক্লিবা। মান্নি, অসুক কুইবসি লেল্লক্লবনি। মহাক কয়া শাংনা লমসিদা লাক্লবা। নীংশিংলকই, সান ইসিদ্রোগী ফার্মদু, মপু অহলদু লৌমীনি, অদুদগী গুৱামা ঈথৎকী ঈশিং মনিল চেনবা উরুমদো, অদুদগী মফমদুগী হোটেল, প্লাজা মচাদো। অদুদগী মবুক নোয়বা পুরোহিট অদুগী ধর্ম্মগী ফিজোলদো। অদুগা ঐবু লাইমিং লৌবগী অঙৌবা মোমবতিদো।

মহাক পূম্নমক নীংশিংলুবদা নুংশিরকই, ৱাসু ৱায়, থমোয় ঈচিক হুল্লকই, খোয়রাংলুবসু লৈতে, শাউনীংলুবসু। লাইমিং লৌবা নুমিৎকী কেন্দলদু, অঙৌবা কেন্দলদু ঙসিদি চঙঙরোই। মহাক্লা খল্লি, কনানো অমতং ৱারী শানবা লৈরবদি, মহাক নোক্লরিদু নোক্লল্লোই। নত্তে, অঙৌবা কেন্দলদি ঙসিদি চঙঙরোই। মৈসু, লৈসু। অদুগী মথক্তা মবুক নোয়বা পুরোহিট অদুগুম্বসু। তাঞ্জাদুদা মানা উরকই, অঙাং অনী খৎনবা :

- "লাইনা শাক্কি, বেগ অসি ঐগীনি, মীরম মচা! পীরকউ হে, অমোৎপা পোটোরিকা মচা নঙবু?"

- "নত্তে, মসিদি ঐনা তূজবনি, হে অকোনবা! মসি ঐগীনিনে, মী তঙ্খায়, য়াঙ্কি, অমেরিকা মচা!"

অঙাং অনীদু মুন্নরি শাথীনা, লন্বী নাকলদা। অদুবু খরা পিকপা অমুবা, মশম খোইবা অদুনা ঙমদৌরে।

জুআনিতা নোকচৈ। - "খুদোংচাবদু লৌ, ফুরিৎ লিৎপা!"

মাগী লন্বী থৎলকই, মানা খামসিরা খল্লুই, অদুবু মহাক খোঙউপ অৱাংবী তোংলিঙৈ, মদু ফরোই খল্লি, অদুবু লাউদি লাউখি। অদুগা অদুম চৎলে।

"পুং ১০ হেক তাবদা, জোজ হোটেলদা" নিকোনা হায়রকখিবনি।

মহাক খল্লিবনি, উনসিরা, উনগুমসিরা? নিকোনা মাগী পুন্সিদি লোইনা খঙলিবনি - য়ুনিভর্সিটিদা তমিন্নরিঙৈগী পুন্সি মানা রেদিও ষ্টেসন্দা থবক তৌরিঙৈগী পুন্সি, ন্যু য়োর্ক অসিদা ইকায় ইকায়না লৈরিবা পুন্সি - নিকোনা লোইনা খঙলিবনি। হোয় অদুগী মথক্তা, লোইনা খঙলবসিদা নিকোনা হৌজিকসু তকশিনবা লেপত্রি। মসিদনি জুআনিতানা (নিকোনা জেনি কৌজৈ) চমন্নরিবসি। মহাক নীংশিংলকই নোংমগী ৱারী :

- "করিগীনো নঙনা নিকো কৌদদনা নিক হায়না মফমসিদা খঙনরল্লিসে।

- "ঐসি সিদা টফাদার (ওভরসিয়ার) ওইরে। মখোয়না অদুম কৌবদুদা ঐ য়ারবা।

- "মখোয়না নিকো কৌরদি ইকায়খুম্নরোই হায়ব্রো?"

- "নঙ ৱাহং য়াম্না হংজিল্লক্কনু।" অদু হায়রগা নিকোদু নোকথোক্লক্লে, অমুবা কুচুদুগা ময়াদু ঙৌরোক ঙৌনা উৎলদুনা।

নিকোনা মাবু তক্লিবনি লুহোংলসি হায়না। মাদি ৱাখলদু অরেপ্পা ওইদ্রি। মরমদি মহাক পাপকী থবক্তু তৌরুরনি। মানদি হায়খ্রবনি :

- "ঐসি করি ফিভমদা লৈরি নঙ খঙলব্রা, নিকো।"

- "খঙইনা, নঙদি ঐগী থৱায়গী জেন্নিনি।"

- "নত্তে, ঐদি লমচৎ মাঙলবীনি।"

- "নত্তে, ঐগী জেন্নি ওইরি, নঙ!"

অদুনা জুআনিতানা খঞ্জৈ, ফীভম অসিদা অশেংবা নুপা অমগা কমদৌনা লুহোংগনি।

- "নঙদি পুএরিটো রিকোগী মী মাল্লমদ্রেনে?"

- "ঐ হৌজিক অমেরিকাগী সিটিজন ওইরে।"

- "নঙ কুএব্রাদিল্লাসতগী চৎখিবনিকো?"

- "অদু ওইরসু ঐ অমেরিকাগী নাগরিক ওইরে।"

জুআনিতা মহাকসু অমেরিকাগী সিটিজন ওইরবনি। অদুবু অমেরিকা মচা শাবগা মাগী হৌরকফম পুএরিটো রিকোগী চৎনবীগদি স্বর্গ পটালমুক খেন্নরল্লে।

- "নিকো! ঐনা খল্লিবা নঙ মশক খঙনবা হোৎনববুদি অতোপ্পা অমেরিকা মচা অমা খঙনবা হোৎনবনা লায়গনি।"

- "অদু কান্নদে, বেবি! নঙনা লোইনা খঙনবা হোৎনবগী করি কান্নগনি, নঙগী নথৌদি ঐবু নুংশিবা অসিদনি।"

জুআনিতা চৎনা চৎনা খল্লকই - "ঐবু নিকোবু নুংশিরবা হায়দুরা?" হোয়, নুংশিবা হায়দু ওই তারেনে। অদুবু ঐগী নুংশিবদি সান ইসিদ্রোদা লৈহৌবা লারেনোবু নুংশিখিবদো অদুদগী হেনবদি লৈররোই, মখোঙ খোঙউপফাও উপচদবা, কুচু তাইবদো। হৌখ্রেকো মতমদো।

মানা নিকো নুংশিরকপদি য়ুনিভর্সিটিদনি। মানা সেকেন্দ য়র তম্লম্বনি ইন্দষ্ট্রিয়েল আর্টস সবজেক্টা, ঐনা চঙখিবদা। ঐদি রুরেল স্কুল অমদগী স্কোলারসিপ ফংদুনা তম্বা লাকখিবনি, আশা কয়া পুরদুনা। অদুগদি নিকোগী থৌইনশিন্দগী য়ুনিভর্সিটি অদুদা ষ্ট্রাইক য়াওরুবনি অমুকখক। মানা হায়রকখিবনি :

- "নুপা নুপী চঙনা আন্দোলন চঙগদবনি, পেন্দবা কয়াসিগী মায়োক্তা।"

অদুগদি আন্দোলন য়াওরুবখৈ তাম্থোকপদা মবানি য়াওরকখিবনি। মতমদুদা মানা খঙলকখি নিকোনা পাল্লিবদু করিনো হায়বা। করি পাম্বৈ লৈ - থোক্লকপা তাখি-রিও পিএদ্রাসকী পাক্লবা সড়ক অদুদা - তৌফম খঙদনা।

ঙসিসু মহাক নীংশিংলি, মানা থোক্লকপদা য়ুনিভর্সিটিগী গাড়ী অমদা খোংহৌবনি - "লন্দন ব্রিজ ইজ ফোল্লিং দাউন, ফোল্লিং দাউন!"

অদুবু তেকথরিবসি লন্দন থোং ওইখিদ্রে, ঐবু আশা চাউনা তৌহৌবা রুরেল স্কুল, সান ইসিদ্রোদা লৈহৌবদো অদুগী আশাগী থোং কিন্থখিবা ওইখ্রে।

অদুম্না জুআনিতোনা খন্না খন্না চৎলিঙৈ, মমাঙদা বিয়ার লিক্লি অমা শ্রেং শ্রেং লংথোক্লকই, পুমতোই তোইরে। মহাক খংদুনা চোংখৎখি। য়েংখিবদা থোঙনাউ অমদগী নুপীগী খোঞ্জেল অমা তারকখি - য়াকই, কল্লি, খাঙবা ঙমদবগী খোঞ্জেলনি :

- "নঙনা য়ু থক্কে হায়রদি আ: ভেন্দরদা থকউ তাবা। ঐ নঙগী অওবা শেংবা ঙমদ্রে। ঐনা হায়রিসি তারব্রা? পেল্লে, ঐনা লৈরবসিবু য়ূমলো, মসিদি ওক্কোন্নে, ঐখোয় ওক্তৌনা লৈরবনি। অদুমক্তদা নঙ পেন্দ্রে, য়ু থক্লগা অমুকসু হল্লক্লে। সৈত্য, ঐনে পৈশা খজিক্তং লৈজরবদি ঐ পুএরিটো রিকোদা হঞ্জখ্রদৌনি। অঙাংশিং লোইনা পুখ্রনি।"

- "ঙাইখোবা নেগ্রা! অদুম তৌখিনু। ঐখোয় খিত্তং ফবা অমা ফংলদি …।" নুপাগী খোঞ্জেল অমনা লূম লূম লাউনা থেমজিনখি।

- "খরা ফবা হায়দু নঙ য়েংজহৌরো। ঐবু থারুরনু।"

অদুগী মতুংদি জুআনিতানা তাখি, থোঙ কন্না থিংজিনবা, শাউনা, অরোইবী থাদুনা । মহাক চৎপা লেপ্তে, লংথোক্লক্লিবা লিক্লি মচেৎশিংদু কাওদুনা চৎলি। থোঙনাউদুদা য়েংলম্মী, অদুদগীদি মরেংবান চপ তিংখৎতুনা অমুক চৎলকই।

হোয়, নিকোদি মায় পাকখ্রে। চহী ৭ অসিগী মনুংদা মাদি সহরসি জয় তৌরল্লে। মহাক টফাদার (ওভরসিয়ার) ওইবা ফংলল্লে। মমিংসু নিক ওল্লল্লে, ইংরাজি ফজনা ঙাঙলল্লে। জুআনিতানা কল্লকচৈ, নিকোগী ওইরল্লিবা মহৈনদু। মাগীদি মশানা চিংনজৈ। মশাদা খুঙ্গং নুপীগী কিগনবদু অদুম কোক্ত্রি, ন্যু য়োর্ক অদুদা তিনবা য়ানবা হোৎনবদু অঙকপগী থৌনা অমদি চঙলি।

মানা খল্লি - "অদুবু মদুনদি কৈসু অওইবা ওইবদি য়ারোই।"

নোংমা মানা হায়খি নিকোদা :

- "নিকো! নঙ য়াম্না হোংলল্লে।"

- "মদু ৱা নত্তে, ঐ হান্নগীদু অদুমনি।"

মানা মাগী ৱাদু চেৎশিনহন্নবা জুআনিতাবু চূপ্পীরকখি।

ঙসিসু জুআনিতানা খল্লি, নিকোবু হান্নগীদু ওইরিব্রনে, নৎত্রগা মহাক অহোংবা মী ওইখ্রব্রা? চহী ৬ হায়বসি শাংখ্রবা মতমনি। মাগী নাকোংদা হৌজিক ঙংদুনা লৈরি - য়ুনিভর্সিটিদগী তাম্থোক্লকপা মতমদুদা নিকোনা শাউনা, মৈ হৌনা, পেন্দনা লাউরম্বদু :

- "ঐ ন্যু য়োর্কতা চৎলনি। মসিগী ঈথৎ অসিদা লৈরিখৈ অচুম্বা হায়বদু খক ফংলরোই।"

নিকো চৎখিবগা মাসু পাম্বৈ লৈতনা লারেসতা হল্লেদনা। অদুবু সান জুআন য়ৌবদা মহাক হিংদবা য়াদেনা খন্না মরাইবক্কা লাম্থেংনরকখিবনি। মহাক পাম্বৈ লৈতনা ওকশা, হুইশা য়োল্লল্লে, অদুদগী কোকা কোলা অমুক য়োল্লল্লে। অদুদগী উচিন-নাচিন্না রেদিও ষ্টেসন অমদা থবক মচা অমা ফংখিবনি। মদুসু মানা শৈরেং থীবগী প্রোগ্রাম অমা য়াওরুবদগীনি। মানা লোরেন্সনা ইবা শৈরেং অমা থীরুবদা পেনবীদুনা পীরকপা থবকনি। অদুগী মতুংদি মীয়াম্না খঙবা হেল্লকখি, স্বর্গদগী নোং হৈথরকপগা মান্নখ্রে। মহাক কন্ট্রেক্ট কয়াম ফংদুনা টি ভিগী, রেদিওগী সেরিয়েল খরা এক্ট তৌবা ফংজরে।

অদুমকপু মহাক রেদিওদা থবক তৌবদুনা ফিল্মগী ষ্টার ওইবগী তাঞ্জাদি পীবা ঙমখিদ্রে। অদুবু ওপেরাদা, রেদিও সেরিএল খরদা এক্ট তৌবা অদুনা য়ামদ্রবদা মাগী লৈফম, চাফম অমদি ফিজেৎ ফাওবদি মশানা পীজবা ঙল্লে । মদুগী খল্লুরবদি নিকোগী লমন তোল্লবনি। মরমদি মাননি মাবু ইংলিস উচ্চারন চুম্না ঙাঙনবা, লৈ কোন্দনবা তাক্লম্বদু। নিকোনা অমেরিকা চৎখ্রবা মতুংদনি মানা মাগী খুঙ্গংগী উচ্চারন খোম্থোক খরা খরা থাদোকপা ঙল্লকখিবদু। অদুগা মাগী খোম্থোক্তা ঈবু আইগী খোম্থোক্তা হেক্তা ঙাঙলম্বদু তোকখিবনি। নিকোগী খোম্থোক তম্বদুনা মহাক রেদিওদা থবক ফংবনি হায়বা য়াই। অদুনা মাগী খোঞ্জেল তাবদা অতাবশিংগী থাগৎ ৱাহৈ কয়া অমা লাকখ্রে। লারেস সহরদগী ফাওবা লাকখিবনি।

হৌজিক্তি মহাক সহরগী অঈংবা নুংশিৎলক্তা সান জুআনগী সোপ ওপেরাদা, টি ভি সেরিয়েলদা, রেদিও দ্রামা সেরিয়েলদা মহাক মনীং তম্না থোকপা ঙল্লনি, মতমদুদদি থোকপা য়াখিবা নত্তে, স্ক্রিপ্টনা মরু ওইখি। হেক শোয়বদা দন্দিনি। অদুবু মাগী ফীভম ফৎলকখিদ্রে, ফত্তবা শাবী নুপী অমা শিখিবদগী মাগী থবক লৈখিদ্রে। হোয়, মাগী ঈজৎকী য়েংলুরবদি নুপীদু শিখিবদু ফরে, অদুবু মাগী হিংবগী লন্বীগী খল্লুরবদি চোপ্পা, লেম্বা এক্টিংগী পুন্সিদু শাংথনিংখি।

অদুবু অদুম তৌরিঙৈ, ষ্ট্রাইক অমুক য়াওরুরে। খোল্লাউনা নিনখ্রে - ঐখোয়গী রাইট পীয়ু, অচুম্বা ৱায়েল, আইন, রাইট, শিন্মীগী পুন্সি কল্লু হায়বনচিংবা লাউদুনা আন্দোলন চঙখি। মানা আন্দোলন য়াওরিঙৈ নিকোবু নীংশিংলকখি। অদুনা মানা নিকোদা চিঠি ইখি। অদুবু চিঠিদু অদুম অমুক হল্লক্লে, লৈফমদু থিফম খঙদ্রদুনা । ন্যু য়োর্ককী চাউরবা সহরদুদা মহাক লূপশিনখ্রমাল্লে। পাউ ফাওনখিদ্রে।

অদুম্না ষ্ট্রাইক চঙশিনবদুদা মহাক ৱান্থরকখিবনি, রেদিও ষ্টেসন অদু কোয়শিল্লিঙৈদা।

অদুগা থা মরিরোমদু অদুম্না লাংলম্লগা ষ্ট্রাইক অদুসু লোইশিনখ্রে। চাবোই চাদবোই চঙখিবদু। থা মরি চঙনা তৌখিবা ষ্ট্রাইক অদু ইকায়বা নংলগা তোক্লে। জুআনিতানা তাইবঙ শেম্বা মপুদা হায়জৈ - "ঐখোয়বু হিংহনবীয়ু।" অদুবু মহাক খঙলক্লে লাইনা তল থাদবিরক্কদবা নৎলমদ্রে।

মী খরনদি আন্দোলনদু মায় পাকই, অচুম্বা ৱায়েল ফংলে হায়না হায়নখি। অদুবু ষ্টেসন মপুশিংনদি করিসু হায়রকখিদ্রে। মখোয়দি মোমোন নোকখ্রে, ষ্ট্রাইক তৌবশিংগী মহুৎ খুদক্কী পুবশিংদুনা অদুম শিনখ্রে।

হন্দকমুকসু জুআনিতা থোক্লক্লে পাম্বৈ লৈতনা সড়ক লমজাউদা হিংনবা লন্বী অমুক থিবা তারে। মানা রেদিও ষ্টেসন অদু থাদোক্তুনা থোক্লকপদা রিসেপসন কাদা ঈশৈ থাহৌই- "এঞ্জোয় য়োরসেল্ফ। ইট ইজ লেটর দেন য়ু থিঙ্ক।"

থেঙবা? মানা খল্লি এঞ্জোয় তৌবদা থেংলবসু নাম্থোকপদদি থেঙবা নৎত্রি।

জুআনিতাদু অদুম্না হৌখ্রবা পুন্সি নীংশিং-নীংশিং চৎলিঙৈ বস অমনা খোংজিল্লকপদা মহাক ৱাখল লাকখি। মহাক নিকোগা হায়নখিবা মফম মেদিসন হায়বদু য়ৌরে। মতমসু চপ চানা। মহাক য়েৎলোমদা ব্লোক অমা লাল্লে, অদুগা সড়ক লল্লোং অমদা লেপ্পুরে। হায়নখিবা জোজগী হোটেল হায়বদু নাকল অসোমদা লৈবা উরে। অদুবু নিকোগা উনসি হায়নখিবা মফম অদুমক্তদা মীয়াম অমা তিনবা উই। মানা খল্লি, করি থোক্লবা জাৎনো? আইরিস পুলিস থুংলরবা অমা, নৎত্রগা এক্সিদেন্ট অমা থোকপ্রা। লল্লোংদুগী লন্বীগী মৈদু অশংবা কাপ্লক্লে। অদুনা মাসু অসোম থংবদুদা লাম্থোকহৌরে। চঙশিন্দুনা য়েংবদা উরে - ফিরাল, প্লেট ফোর্ম উবদা মহাক খঙলে, মিটিং অমা তৌরি। মহাক মিটিং হায়বসি খারে। অদুবু নিকো ঙাইদৌবনিনা মহাক নাম্থোক্তুনা চৎপা ঙমদ্রে।

নিকোদুবু য়ৌরক্লবরা? মানা কোয়য়েং য়েংঙি। উদে, মহাক লাক্ত্রি হায়না খল্লি। হোয় ঙাইবা হায়দুনি। অদুনা মহাক হায়নখিবা হোটেল অদুগী মমাঙদা লেপ্তুনা লৈরে। মীসু খরা লনবা। মহাক মাগী বেগ হাংদোকই, মিংশেল লৌথোকই, মচিনবান্দু অঙাঙবা অমুক তৈশিল্লি।

অহানবদদি মিটিংদু ইংরাজিদা ঙাঙলিবদু মহাক ৱা ওইনা তারুদে। মাদি স্পেনিস লোন্দা খন্দুনা লৈ, অদুনা অতৈ লোনসি তানিংদ্রবনি। অদুবু সুম তারুরগা ইংরাজি ৱাহৈশিংদু খরা খরা মাগী কোক্তা চঙলক্লে। মমৈদদি মৈ হৌনা ঙাঙলিবা ৱাঙাঙলোইদুগী ৱাহৈশিংদু মহাক লোইনা থম্মোয়দা য়ৈররে। মহাক মেক অপ লোইদুনা বেগতা হাপচিনখ্রে, অদুগা ৱা ঙাঙলিবদু মুন্না তাবা হৌরে। *(মথং-মথং)*

ইংরাজিদা : ফায়ে এডৱার্ডস অমসুং গ্লাডিজ ওর্টিজ
মীতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা
(পুএরিটো রিকোগী ৱারীমচা)

# রাগ দরবারী-৯

হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা

(হান্নগী মখা…)

ওজাদুনা পীরক্লিবা পাউখুমদু তারগা নোক্লম্মী। নোকপগী মরম হিন্দি অমদি অঙ্গরেজি লোলগী ৱাফমদা নত্তে। ফজবা মওংদা মচিন থীরকপা অদুগীনি।

ওজাদুনা হায়রকই, "মসিদা নোক্লবগী করি ৱাফম য়াওবগে?"

নুপামচাশিং অদুনা থাজবা ঙল্লমদে। মখোয়না হৌনা অমুক নোক্লকই। ৱাফম অদুদা ওজা *মোতিরামসু* নুপামচাশিং অদুগা পূন্না নোক্লকই। নুপামচাশিং অদু তুম্মীন্না লৈখ্রে।

মহাক্লা নুপামচাশিং অদুবু ঙাকপীখিরম্মী। অদুগা হায়রকই "রিলেটিভ দেনসিটিগী মতাংদা খঙবা ৱারগদি অতোপ্পা অমরোমদা হায়গে। রিলেটিভ হায়দি কনাগুম্বা অমগা চাংদম্নবনি হায়না খল্লো। নহাক্লা গেহু তক্লবা মফম অমা হাংদোকই অমসুং নখোয়গী য়ুমলোন্নবদা অতোপ্পা মীশক অমনসু গেহু তক্লবা মফম অমা হাংদোকই। নহাক্লা থা অমগী ওইনা লুপা ৫০০ তানবা ঙম্মী অদুগা য়ুমলোনবা অদুনা লুপা ৪০০। অদু ওইরবদি মাগা চাংদম্নবদা নঙনা কান্নবা হেল্লে। অসিবু সাইন্সকী লোলদা হায়বা য়াই মদুদি নঙগী ওইনা রিলেটিভ কান্নবা হেল্লে। খঙলেকো?"

নুপামচা অমনা হায়রকই, "খঙবদি খঙলে ওজা, অদুবু ওজানা হায়বিরিবা ৱাফম মকোক্তগী হৌনা লাল্লে।"

গেহু তকপদা ঙসি ফাওবদা খুঙ্গং অসিদা থাগী ওইনা লুপা ৫০০ তানবা কনা অমত্তা য়াওখিদ্রি।

ওজা *মোতিরামনা* টেবলদা মখুৎ য়ৈরদুনা হায়রকই, "কৈদৌবগী ঙমলোইদোইনো! তৌগে খনবা মীনা ঙমদবা করি লৈগে!"

নুপামচাশিং অদুনা ৱাফম অদুদা অমদি ৱারি শাবগী আর্ট অদুদগী করিমত্তা শুমহৎপা ফাওদে। নুপামচাদুনা হায়রকই, "করিমত্তা তৌবা ঙমলোই। ঐখোয়গী খুরা অয়ুক নুমিদাং গেহু তকই, অদুবু য়াম্না ৱানা লুপা ২০০ তানবা ঙমই।"

"কনানো নখোয়গী খুরা হায়সে?" ওজা *মোতিরামগী* খোঞ্জেলদা হুমাং অনপ্পী কারকপগী মওং তৌরকই। মহাক্লা অঙাং অদুবু মূন্না য়েংলদুনা হংলকই, "নহাক *ইকাইখঙদবা মুন্নুগী* অঙাংশিংদি নত্তেকো?"

নুপামচা অদুনা মহাক্কী চাওথোকচনিংঙাই ওইবা ৱাফম অদু লোৎশিন্দনা চিংনবা লৈতনা হায়রকই। "নত্রদি কনাগী ওইগনি?"

*ইকাইখঙদবা মুন্নু* য়াম্না ইজৎ লৈবা মীশক অমনি। অঙ্গরেজশিংনা হায়নরম্বা, গুলাব লৈশিংগী লৈনম ময়াম অমা লৈরম্বা য়াই হায়বা প্রমান পানথৈ অমা লৈ: 'গুলাব, অতোপ্পা মীং অমদা হেক্তা কৌনসনু, গুলাবকী লৈনম অদুগী নুংশিবা লৈনম অদুদি অসুম নুংশিদুনা লৈগনি।' অদুগুম্না *ইকাইখঙদবা মুন্নু*দসু মীং অমা হেক্তা কৌনরসু *ইকাইখঙদবা মুন্নু* চিংনবা অমদি নুংঙাইতবা ফাওদনা গেহু তক্তুনা হিংলি। শেল তাল্লি, ইজৎ লৈনা হিংবা মীশক অমনি। অদুবু *ইকাইখঙদবা মুন্নুনা* মহাক মশানা মীং অদু তাঞ্জবা কৌজবা নত্তে। মীং অদু মহাক্কী মরী মতাশিংনা পীবিরম্বনি। অঙাং ওইরিঙৈদা মহাক্কী মপানা য়াম্না নুংশিনা '*ইকাইখঙদবা*' হায়না কৌরম্বনি। মমানা নুংশিনা *মুন্নু* হায়না কৌরম্মী। খুঙ্গংগী মীয়াম পূম্নমক্নসু মহাকপু *ইকাইখঙদবা মুন্নু* হায়না কৌনরকখিবনি। মহাক্লা মীয়াম্না কৌনরিবা মীং অদুবু য়াম্না চম্না এখোয়না জে বী কৃপলানীবু আচার্য্যজী, জে এন নেহরুবু পন্দিটজী অমদি এম কে গানধীবু মহাত্মাজী কৌনবগুম *মুন্নুসু ইকাইখঙদবা মুন্নু* মীংথোলবু হরাউনা য়াজরম্মী।

ওজা *মোতিরামনা ইকাইখঙদবা মুন্নুগী* মমাকনুপা অদুদা ঙাইহাক মূন্না য়েংদুনা লৈ। নুশা শ্বর শাংনা হোন্দোক্তুনা হায়রকই, "ফরে তোকলসি।"

মহাক্লা হাংদোক্তুনা লৈরিবা লাইরিক অদুদা মূন্না য়েংশিল্লি। মহাক্লা মঙক থাঙ্গৎতুনা য়েংলকপা মতমদদি অঙাংশিংদুনা হান্নদগী মঙোন্দা য়েংদুনা লৈরমলে। মহাক্লা হায়রকই, "করি তৌরে?"

নুপামচা অমনা হায়রকই, "ঙসাই শানখিবা ৱারীগী মতুংইন্না গেহু তকপনা থা অমদা লুপা ৫০০ তানবা ঙমদে?"

ওজাদুনা হায়রকই, "কনানা হায়রিনো? ঐ ইশামক গেহু তক্তুনা থা অমদা লুপা ৭০০-৭০০ তানবা ফাওবা য়াওখি। অদুবু *ইকাইখঙদবা মুন্নুনা* মরম ওইদুনা পূম্নমক উৎতা ঘী হৈবগা চপ মান্নরে।"

*ইকাইখঙদবা মুন্নুগী* মমাক্লা য়াম্না ইকাইখুম্নবগা লোয়ননা হায়রকই, "কৈদৌবগী ৱাখল নুংঙাইবিদ্রিবনো ওজা! মসিদি ব্যুজিনেস হায়বদুনি। করিগুম্বা মতমদনা কান্নবা ওই, করিগুম্বদনা মাঙবা ওই হায়বদুনি। কম্পিটিসন তৌবা হায়বসিদি অসুমনা অদুম থোক্লবনি।"

"পুকচেল শেংবা অমসুং পুকচেল শেংদবগা করি কম্পিটিসন তৌগদৌরিবনো? করিনো ঙাঙলিদুবু?" ওজা *মোতিরামনা* চৈরদুনা হায়রকই। তাঞ্জা অদুদা কোলেজ অদুগী পিওন নোটিস অমা পুরক্তুনা মহাক্কী মমাংদা লেপ্তুনা লৈরম্মী। নোটিস পানা-পানা মহাক্লা হায়রকই, "য়েংঙু-য়েংঙুবদা য়েংশিন্নবা মী ঙাক্তা ওইনা তৌরদনা … লাইরিক তাক্লবনা মী অমতং অদুগা য়েংশিন্নবনা মী ১০-১০!" *(মথং-মথং)*

মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা মৈতৈ

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।